# ‘নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংগী এটেক অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক’

## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

**উশম ধরমেন্দ্র**

ইরমদম মণিপুরসিগী য়েলহৌমী অমনি হায়দুনা ইরমদমসিগী অপূনবা শক্তম কায়দনা থম্নবা হোৎনদুনা লাকচরিবা মীতৈশিংগী তুংগী লাইবক কদোমদনো। ৱাফমসি খল্লুবদা অহিং তূম্বা য়াদ্রবা মীতৈ মচাশিংনি। অসুক শাংলবা থা তরাতরুক শুখ্রবা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লান লোইশিনবগী মমি অমত্তসু উদবা মসিদবু মীতৈ ঐখোয়না করি করম্বা ৱাখলদা তংদু লৈতানা লৈবা ঙমগদৌরিবনো। মতম খরা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈ খুলশিংদা লান্দাবা লেপ্পুরবা তুং মখোয়গা খুল্লোন্নবা মফম খুদিংদা লান্দাবা লোইনা হৌরক্লে। লানগী খূৎলায় ফবা মখোয়না য়াম্না হেল্লি। পোজিসন মফমসু ফৈ। অমরোমদা মীতৈশিংদি মখোয়দা লান্দারুবা নত্তে। নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংদুনা লান্দারকপদা ঙাকথোকচবতনি। অমুকসু মীতৈগী খুল ঙাকপশিং থোরক্লিবসি তঙাইফদনা ওইরকখিবা অমনি। মরমদি ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা নীংথিনা মতিক চানা মীচম মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীগদবদু তৌবীরক্তবদগী মখূৎতা অফং-অফংবা খূৎলায় পায়দুনা খুল ঙাক্লকখিবনি।

লৈবাক অমগী সিক্যুরিটিদা শীংনরক্লবদি লৈবাক্তুগী লৈরিবা ফোর্সশিং শীজিন্নদুনা ঙাক শেনবা হায়বসি মশানা তারবা ৱাফম্নি। নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নেসনল সিক্যুরিটিদা শীংনবসি ফোঙনা ফজনা শীংনরেনা। ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকপা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লমদমসিদা হান্না লৈরম্বা মখোয়গী ফূরুপকী মীওইশিংগা মান্নরগা দ্রোন বোমিং তৌরে। বেল্লিষ্টিক মিসাইল ফাওবা শীজিন্নদুনা মীতৈ মীচম মীয়ামদা লান্দারে। মখোয়গী লান্দাদা হোস্পিটাল ফাওবা য়াওরে। পূম্নমকসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না অকনবা এক্সন অমত্তা লৌখৎতনা লৈবসি মণিপুর মীয়াম্না থোইদোক্না মীতৈশিংনা পেন্নদে। কুকি টেররিষ্টশিং অসিনা তৌনীং-তৌনীংবা তৌদুনা টেরর এটেক চথরে। নেসনল মীদিয়া অয়াম্বনা কুকি টেররিষ্টশিংগী থৌওং মশক খঙলবসু খরদি খঙশিন্নদনা লৈরি। মখোয়গী মীচংদা লেপ্পি। পূম্নমকসিগী মথক্তা অসাম রাইফলসকী দিরেক্টর জেনরেল ওইরম্বা লেফটিনেন্ট জেনরেল প্রদিপ চন্দ্র নায়রনা মণিপুর পুলিসপু ফোংনা করেম্নখি। মহাক্না মীদিয়া চেনেল অমদা মণিপুরদা মীতৈ পুলিস, কুকি পুলিস হায়বা নত্তনা মণিপুর পুলিস কৌবা অমা লৈতে হায়খি। মসি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি অমসুং অসাম রাইফলসকী নুংগী ওইবা মচৎ অদু উখোকচবনি।

নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মীচম মীয়ামদা চথরকপা টেরর এটেকশিংদা খোইশাওনরবা মীয়াম্না লৈঙাক্কী মায়োক্তা পেন্দবগী ঈহৌ হৌরকপা ঐখোয়না থেঙ্খাং কয়া অদুমক থেংনদুনা লাক্লি। লৈঙাক্লোইশিংগী পেন্দ্রবা থৌওংদা মীচম মীয়ামগী ঈহৌ হৌরকপা হায়বসিদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদদি মহৌশানি। দেমোক্রেসি নত্তবা তোঙানবা ওটোক্রেটিক ওইবা লৈঙাক্লোন নৎত্রগা নিংথৌ সাসনবু ওইরবসু মীচম মীয়াম্নবু পেন্দ্রবা, য়াদ্রবদি হৌনরুবা তৌদনা মীয়ামগী ঈহৌ লাকই। মসিদি মালেমসিগী হিষ্ট্রিনা লেঙদ্রবা খুদম চাংদম ওইদুনা লৈরিবনি। মদুমক্কনি ইরমদমসিদসু মপূং ওইনা মহৈরোয়শিংনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঈহৌ কয়া হৌরক্লিবসি। মতম মতমগী ওইনা হৌরকপা ঈহৌশিং ঙাইহাক্কী ওইবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা নমথখিবদি য়াই অদুবু ঈহৌ হৌরিবশিংদুনা তাল্লিবা দিমান্দ অদু মপূং ফানা পান্দমদু ফংদ্রবদি নৌহৌনা ঈহৌ অমমুক লাক্কনি। অদুনা তুং কোইবা সোল্যুসন অমা মথৌ তাই।

ঙসি মণিপুরদা হৌরক্লিবা ঈহৌশিংগী পান্দমদি মণিপুরদা থোক্লিবা লান অথুবা মতমদা সোল্যুসন অমা পুরকউ হায়বসিনি। লানগী ৱারোইশিন অমা লৈতবনিনা মখল মখা কয়াগী ঈহৌদি লেপ্তুনা লমদমসিদা হৌরকখিগনি। ঈহৌশিংদুদা লৈঙাক্না ফোর্সশিং শীজিন্নদুনা নমথনবা হোৎনরকপা হায়বসিদি মশানা তারবা ৱাফম্নি। মদুগী মূক্কুরকপদুদা মীচম-মীয়াম অমা শোকপা-নাবা, মীশি-মীনা থোকপা হায়বসিদি অদুমক থোরক্কনি। থোক্তুনসু লাকখি। মীশি-মীনা থোকপা হায়বসি ৱাহৈতবু লায়রবা মদুদা লোয়নরিবা পূন্সিশিংদুগী শক্তমদি তম্বদা লোইনাইদ্রবা অৱাবগী ৱারী ঙাক্তনি। করিগুম্বা লৈবাককী ঈহৌ অমদা মথৱায় কৎখিবা মীওইবা অমা তুং কোইনা নীংশিংবীবসু য়াওই। মতম খরা শোন্নরম্লগা অদুমক কাউবীখিবসু য়াওই। অদুবু তুং কোইনা নীংশিংনহৌরিবা অৱা মৈচাক পুহৌরিবদি ইমুং-মনুংগী অমদি নক্নবা মপাংশিংনি। ঙসিদি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লান অসিনা মীতৈ মীচম কয়া তমথীনা হাৎপীখ্রবনি। কয়া অমনা মরমদমসিদা তুংগী আশা ময়েক শেংদনা রিফ্যুজি ওইহল্লবনি। অদুনা অসিগুম্বা মীকপ-মীরাওখোল অসি লেপ্পবা লানসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা হায়বসি মীচম মীয়াম পূম্নমক্কী অপাম্বনি।

ইন্দিয়াগী ৱাংমদগী ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরগী মীতৈ ফূরুপ্তা অতম্ননা লান্দারক্লে, নেসনল সিক্যুরিটিদা শীংনরে হায়বা খঙলবসু নার্কো কুকি টেররিষ্টশিং অসিবু থেংনদুনা লাকশিনগে হোৎনদবা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাকসিগী করি অরোনবা এজেন্দা লৈবনো হায়বসি মীতৈ মীয়াম্না হংনদুনা লাক্লবা ৱাফম্নি। মমাঙ চহীগী লান হৌরকপগী ঈরাং কন্না হৌগৎলকপা মতমদুদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী চীংমী লম্না মহাক্না অমদি তম্পাক্কী শরুক্না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙাক্লনি হায়খিবগুম চীংগী লমগী নার্কো কুকি টেররিষ্টশিং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মরাল অমত্তা লৈতবগুম কোনশিন্দুনা থমখ্রে। মতা ফবা চীংমাইদগী নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ, বোম লিশাং শিৎনা কাপথরক্লি। অনৌবা লাল্লোংদা দ্রোন বোমিং, বেল্লিষ্টিক মিসাইল শীজিন্নদুনা মীতৈদা লান্দারক্লি। মফমশিংদুদা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিং চঙশিন্দুনা মরাল লৈবা চেন্নরিবা টেররিষ্টশিং ফাবা-পূনবগী পাউ লৈতে। নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা তৌনীং-তৌনীংবা তৌহল্লি। মসিদা মীতৈশিংনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা ৱারৌরোইদবগী মরম লৈব্রা?

লোইশিল্লকপদা, মতম অমদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মনীং-মখা তম্না মপান ফনা পাল্লম্বা চহী লিশীং অনীগী ময়েক শেংলবা হিষ্ট্রি লৈজরিবা মণিপুর ঙসিদি নার্কো কুকি টেররিষ্ট খূৎপু খরগী লান্দাদা ৱানা, হাইনা-হুম্না খাঙলে। ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনশিনখ্রবা মণিপুরসিদা মীরৈবাক্কী খূৎ য়াওনা লান্দারক্লবা, নেসনল সিক্যুরিটিদা শীংনরক্লবসি ফাওবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকনবা এক্সন লৌখৎপা উদ্রি। অৱাবনি ইরমদম মণিপুর নঙগী তুংগী লাইবক। মণিপুর মচেৎ-মচেৎ থোক্লা কায়নবা হৌবা য়াবা ঈরাং হৌরক্লিবরা। নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা তৌবা য়াবা টেরর এটেক মীতৈশিংদা তৌহল্লিবরা। ৱাহংসিনি ঙসি মীয়ামগী মফমদগী হংলক্লিবা ৱাহং হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ইন্টরকাষ্ট মেরিএজ পোলিসি (আইদিয়া ওফ মণিপুরগী কাঞ্জুল অমা)



- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -

*“চৎকদবা লম্বী চমন্নহল্লবদি য়োৎলি মখোঙ কন্না কন্না খিংলবসু মীয়ামদি ফমুংদগী কুমথরক্তবা য়াই”*

ঐখোয়গী মহৌশাদো নীংশিংলকই। মপী লাইরিক তল্লিঙৈনি। ধরবাটতা য়াওরিবা শুপ্লাক্তো ২দগী ১০ ফাওবা চিনফা পুবা হানবা তান্নখি। শেগ্রাক্তা বোরা য়েপ্লগা কোচি য়াওদবা খোঙ্গ্রাও অতেনবীদো তাহৌদনবা খূৎ নাম্মনা শেন্নদুনা চেনখি। কালেন ওইরসু ওজাগী য়ূমগী নাকন্দা নৎত্রগা মনীংদা হৌবা মনা পূঙবা উপালদুগী মখাদা বোরা ফিদাদা ফম্লগা ওজানা তাকপা পাড়াদো কয়াদা মমল লৈখ্রবা। অরুবা বনান চিনফা পুহল্লি। পাউতাক্না মান্নবা পাড়াশিং তম্লকখি। অফাবনা ফাদবদা মনা লৈরগা খূবাক্না থানখি। ওজানা লাইরিক তাক্লা-তাক্লা হৈনৌ, হৈখা, পুংদোল পীজখিবা নীংশিংলকই। মতমদুগী অঙাংশিং মোমো, মিমি, চৌ-চৌ, মেগী চাবা ফংলক্তে। দুকান্দগী মিঠাই, লদু অমখক চাবা ফংলবদি খ্বাইদগী লাইবক ফবা নুমিৎনি খঞ্জখি। চন্দ্র মৈ য়াংলগা স্কুল কাবা নঙনবা মনম নমথীবা নূঙ য়াওবা চাকতো শৌগ্রি মহি নৎত্রগা হঙ্গাম চমথোংগা ইচিল-ইনাওশিং, হানবা তান্নদুনা চাখিবা, কাউথোকপা ঙমদবা পূন্সিগী মহাওনি। তাওথবী, তুমাই চাবা ফংলিবা ইমুংদো নুংঙাইবা ইমুংনি খন্নখি। ইমানা চরা ৱান্নবা খাকপীরম্বা খরদো চারগা ইপানা ঐখোয়বু লৌবুক্তা হাপু খুনবা পুবিখি। তেম্পাক লৈতুম থুগাইবদা য়াওরকপা কাকথুম অকংবা চাখিবা, থম্মৌ তাল্লগা পীজখিবা, পেরুক চখোম চখোম্না অঙাংগী চীঞ্জাক ওইখিবা, পুংদোল হৈত্রোই হেক্লবা উ কাবসু হৈখিবা, কৌবীলিয়ানা শেম্বা কাংজৈদো ৱাগী মরূনা কাংদ্রুম ওইদুনা খুলগী লম্পাক্তা মখা-অৱাং পানা খায়দুনা শান্নখিবনি কাংজৈ। নোবাবনা বোল ওইনসু কাওনদুনা শান্নখি। কোকতোন মান্নবা খন্দুনা লৈকায়গী, খুঙ্গংগী অহলশিংনা মুক্না শান্নহন্দুনা পাঙ্গল চাংয়েং তৌনখি। নুমিদাংৱাইগী নামীবা নুংশিৎ, ফাইরেনগী অঙাওবা নুংশিৎতা ৱাংবা তান্নখিবা মমৈ শাংনা পানবা তেলঙ্গা, খুনম-খুবোম চেকখাইবগী ইপু-ইবোক্না ঈশিং অশাবদা নুরা তকখায়খিবা মতমদুগী নৱা পূন্সিদো হৌজিক্কী য়েরূম খোকপফাও মমা-মপা ঙাইরিবা, ভেনদা নৎত্রবদি স্কুল চত্তবা, মোবাইলনা শান্নপোৎ ওইরিবা অঙাংশিংসিদগী মথৌনা মরিংজেল ৱাৎলমগদ্রা।

করম্বা ফূরুপনোদি খঙদবা চীংগী মীশিংদো নীংশিংই। খোইহি য়োনবা, থবক থিবা, নিংগ্রি তাখৎপা, মনা লাউনা হুৎলগা চৈ অচৌবা নমশিনবশিং মিৎসিদা শং-শং উরকই। অরৈবা থবক শূরম্লগা ফি, চেঙ পুদুনা চীংদা অমুক কাখিবা, মখোয়গী চাদা নাওদারা তম্পাক্তা খৎনবা হৌরিবশিং। ঐখোয় নৎত্রগা মখোয়, মান্নদ্রবা ফিজেৎ চাকচাদা খেন্নরবসু থম্মোয়দদি ময়ি চৎলমদে। নুংশিনবদা য়ূম্ফম ওইরম্মী। সনামহি লাৎতবা ফূরুপ লৈরমদে। মখোয় মখোয় লোলদা মমিং থোন্নবতনি। ঙল্লিঙৈদা চীংগী বোরদিনদা তম্মীনা কোইবা চৎলম্মী। তমদগী মাইক খোংবা নেকপা লাক্লম্মী। তমগী লাই হরাওবদা চীংমীনা পোৎ লানবা লাকখিবসু কোঙ্গাইনি। অমনা অমগী ৱাঙাঙ খোম্থোক মতৌ তম্নরগা ফাগি ওইনা নুংঙাইনা পানমিন্নরকই। অমাং-অশেং হায়বসি অমোৎপা অমদি তরু-তনানবা হায়বদুদা খায়খিবনি। চীংগা তমগগী ৱা নত্তে। খুঙ্গংগী হাতে-হাতেদা হিংজবশিংসু খরা য়াইফরবা ময়োল লমগী ইমুংশিংনা খজিক লাপথোক্না থল্লম্মী। মুন্না খল্লুরবদি চাওখৎপা ফজবা পূন্সি মহিংদা চৎনবা পাউতাক পীবনি হায়বদা লাল্লোই। ইফ-ফনবু খন্নরবদি খৎনরোই। ফত্তনবু খন্নরবদি কদাইদগী হিংমিন্নবা য়াগনি।

লমদম অসিগী মীয়াম্না খাইবুং ৱাখল লাকপদি, লাইরিক্তি য়াম্না তম্লবা লাইশুদি অমত্তা তমহৌদবা, সর্টিফিকেট অৱাংবা পায়বা খরগী খুদোলনি। বৃটিশকী মখূত্তগী নাম্থোক্লে। নীংতম্লে খল্লিবা ঐখোয়না বৃটিশকী মরোল ওইরিবা ইংলিস লোলগী মখা পোনবসিদি পামজবগুম তৌনরি। ইমালোলদি উচ্চারন শেংনা ঙাঙনবদি হোৎনদ্রি। ইংলিস য়াম্না ঙাঙবা হৈনবা ইংলিস স্কুল লিংখৎনৈ। শেল চাউনা থাদদুনা মচা-মশু মীরোল ঙাঙবা হৈবদা হরাওরি। ইশানা শাজবা, শেমজবা ফিজোল মনাম তানা শেৎনীংবা ওইখিদ্রে। ইংলিসমেন জেন্টলমেন মান্নবা কোট সুট টাই পুনবা ফিজোলনা থাক ৱাংনা লৌনখি। ঐখোয় বৃটিশতগী নীং-তম্লে হায়না হরাওখিবদো বৃটিশনদি মখোয়গী ফিজেৎ, মখোয়গী মরোল ঙাঙনবসি উরগা মখোয়গী মখা পোল্লিবা লমদম ওইনা উরম্লোইদ্রা? মাগী-মাগী ৱাখল হায়দুনি। অদুবু ঐখোয়গী ওইবা চৎনবী চত্তবা, মানা-মানা থোকপা তৌনীংবতা তৌবসিদি খ্বাইদগী মীখা পোল্লিবা লমদম অমনি হায়বদা লানগদ্রা?

নিপাসু-নুপীসু ফোরেন্নর পাম্মী। ঙসিগী মমা-মপা ওইরিবশিংনসু মচাশিং ফোরেন্নরগা য়ূম্বান্নখ্রে হায়বসি চা থকফম, লৈপুং ফম্ফম থৌদোক-ৱাথোক থোকফম, মী পুনবা মফমদা থৱায় তানা শাবা ৱারী ওইনরি। টোপ্পরশিংনা মমা লৈবাক নীংহৌই। মীতোপকী ৱাখলনা চপখায়রবা মীরৈবাক্তা ফল্লিবা মীওই খরনা লমদম অসিগী ইচম চম্না হিংজরিবশিংদা খাবৈ-খারা শারকই। অশেংবা লুচিংবা লৈতবনা মীয়ামদি অমম্বদা কোক থেঙ্গাইনৈ। ঈশিংদা লমজেল তান্নে। তিঙ্খংগী লম্বীদা চৎনরি। মসিনা ফ্রেম অমনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মিংশেলগুম কিন্থদবখক ঙাইরবা ময়ি কয়া থোক্লবা মিংশেল ওইরকই। মিংশেলদুগী ফ্রেমগা মান্নরিবা টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদো ময়ি চৎলবা মিংশেলগা মান্নরবা ইমোসনেল ইন্টিগ্রিটিবু কয়াম কুইনা কিন্থহন্দনা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমগদগে হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী ৱাহং ওইফম থোক্ত্রিবরা?

‘ঈ’ না শেম্বা ইন্টিগ্রিটিদগী হেন্না চেৎপা মরীবু করিনা চাংদম্নফম লৈরিবগে? লানগী মতমদা য়েলহৌ ফূরুপ নীংশিংনরি। য়েক সলাইচা মশেল পুন্দুনা লৈবাক ঙাকমিন্নফম থোকই হায়বসি পেপরদা অমদি পব্লিক প্লেটফোর্মশিংদা খৌনাও শীংলি উবমখৈ লাউনরক্লি। লাউবা অমদি ইবগী মহুত্তা থবক ওইনা য়েলহৌমীশিং পুনশিন্ননবা লম্বীদি ইয়াৎ য়াৎপা উনদ্রি। হীরমসিদা ‘ইন্টরকাষ্ট মেরিএজ পোলিসি’ অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈতব্রা? ফোরেন্নরশিংগা ইচাগা চারৌ মৌরৌনরে হায়না নুংঙাইবা উৎপীরিবা মমা-মপানা মচাশিংদা য়েলহৌ ফূরুপশিংগা য়ূম্বান্নবগী মরু ওইবদো হায়বীফম থোকত্রিবরা? লৈঙাক্লসু পোলিসি অসি শেমদুনা অদুগুম্বা মীওইদুদা ইন্সেন্টিভ নৎত্রগা লৈঙাক্কী থবক অমা মহৈগী থাক্কা চান্নবা পীবীদুনা ঈগী ইন্টিগ্রিটি শেমগৎলবদি লাইনীংনা লুশম পায়দুনা চিংবীরিবা ঐখোয়গী য়েলহৌমীশিং খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নরোইদ্রা? চীংগী ঙাই, তমগী ঙাই, ইশেন-ইবাই মিঙ্গৌশিং লৈরবা লমদমদা য়ূম মৈ থানবা হন্থহনগনি। হায়ৱেদা অৱাবা পীবা হন্থহনগনি। ৱাফমসি ডাক্তরনা ইবা হীদাক্তগী মাইবনা শেম্বা মনা-মশিংগী হীদাক্না হেন্না ফৈ হায়বগুম থোকহনবসু পামজদে। তৌবতবু পোক্লফম ইমাসে নুংশিয়ে। লমদমসিদগী মীতোপ খন্দোকসি হায়রবদি ঈগী মরী লৈনরিবা সলাইচাশিং ময়েক শেংনা খঙমিন্নরবা মতমদুদা উতাংবীদো উদগী লৌথোকপা লুরোই। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লাংবন হৈশোই অমদি তরা লুক্লেন কৎপা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

‘তর্পন’ হায়বসি মীরম হিন্দুশিংনা অমদি হিন্দু লাইনীং লাইশোন চৎপশিংনা য়াম্না তোয়না শীজিন্নবা ৱাহায়নি। লমদমসিদা মীরম হিন্দু লাইনীং-লাইশোন চৎপশিংনা ‘তর্পন উসব কৎপা’ হায়দনা য়াম্না তোয়না তৌনৈ। ঈনাৎ লাইনিং-লাইশোন চৎপশিংনা তেংপানবগী মপু ‘শিদবদা’ হৈ-রা খরা, লৈরাং খরা, চেঙ-থোইদিং অমুবা, তিংথৌনচিংবা য়াওনা ঈশিং খুজোক অহুম লাংবন থাদা কৎপদা ‘লাংবন হৈশোই অমদি তরা লুক্লেন কৎপা’ হায়রগা হেন্না খঙনবসি মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোন চৎপশিংনা লাংবন থা হায়বা লৈতে, মখোয়গী মীরম লাইনীং-লাইশোন চৎপা মীশক/মীশকশিং লৈখিদবদু নীংশিংবগী থৌরম অমা পাঙথোকপা মতমদসু ‘তর্পন’ হায়বা ৱাহায়সি হেক্তমক শীজিন্নে।

মীতৈ ঐখোয়না লাংবন থাগী থানিল মতুং নোংমা কোনবা থৱান ১৬নি পানবদগীনা লাংবনগী থাসু/থাশি ফাওবগী মনুংদা মচানুপী অমদি মশুনুপীশিংনা মরু ওইনা য়েক-সলাই অমগী য়ূম্নাক শাগৈ ওন্দুনা ময়ূম পানখ্রবী নিঙোলশিংদুনা মখোয়গী মপামগী লাই ওইখ্রবা-ওইখ্রবী অহল-লমনশিংনা লাংবন থাগী নোংমা পানবদগী লাইরম্লেনদগী খোঙশাল্লকপনা লাংবনগী থানিল নুমিৎকী অহিং নোংয়াই চবুক্তা মখোয়-মখোয়গী তাইবঙ নোংশাপানদুগী য়ূম্নাক শাগৈদা হিংদুনা লৈরম্বা শোন্নপুংগীদা থুংলরগা মখোয়গী চাদা নাউদাগী মচা-মশু নিঙোলশিংদুনা মপামদা পুরকপা হৈরাং-লৈরাং, চেঙ, থোইদিং অমুবা অমদি তিংথৌনচিংবদু শাগৈদুগী লাইমিং লৌরবা নুপা (পিবা) ওইবা অমনা, পুরক্লিবা পোৎলমশিংদু শোইরগা নুমিৎ ১৫নি চূপ্পা শিদবা মপুগী মফমদা পূন্না নুমিৎ নুমিৎকী ওইনা হান্না কৎলগা, অকোনবদা য়েক-য়েক্তুগী পুকোক্তা কৎলগা, লাই ওইখ্রবা য়ূম্নাক শাগৈদুগী থৱায় মিরেলশিংদুগী মফমশিংদসু শরুক খরা ফংহনবীয়ু হায়জদুনা মথৌ তাবা লাইরোন-লাইশোন শোল্লগা লাইজ ঈশিংদা খূৎ অনীগী অপূনবা খুজোক্কী ঈশিংনা অহুল্লক ইন্থোক্লগা কৎনৈ। অদুবু হৌজিক্তদি মীশিং হেনগৎলকপনা লৈকায়-লৈকায়দা পূখ্রি লৈনরক্ত্রবনা ইঙ্খোলগী থোঙ্গালদা/খরগীনা লম্বীগী মতায়দা লা লাতোন/লা অমগী মথক্তা হৈশোইশিংদু মথক্তা তৌখিবা মওং অদুম হায়না কৎনরে।

থৱান ১৬নি পানবদগীনা থাশু/থাশি ফাওবগী মনুংদা হৈশোই কৎপগা লোয়ননা খুদোংচাগদবা নুমিৎ অমদা ঙমজবা তরা মথেলগা লোয়ননা তরা লুক্লেন মপুগী মফমদা অমদি য়েক ৭কী পুকোকশিংদা (মশা-মশাগী পুকোক্তুদা) কৎলবা মতুং শাগৈগী মরী-মতা, কৈরোল-লৈকায়গী মীওইশিং, মরূপ-মপাংশিং য়াওনা পূন্না মপুগী লুকমন্দু চিনদম্মিন্নগনি। মসিবু ‘লংবন তরা লুক্লেন কৎপা’ (মীরম লাইনীং লাইশোন চৎপশিংনা তর্পন উসোব) হায়রগা খঙনৈ। লাংবনগী থাশু/থাশি নুমিৎতা কৎপসু য়াম্না তৌনৈ। অনী পূনশিল্লগা ‘লাংবন’ হৈশোই অমদি তরা লুক্লেন কৎপা’ হায়রগা খঙনবসি অদুঙৈ পামহৈবা নিংথৌ (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮) গী সনা হাক্তক্তগী অসুম্না মীরমগী হিন্দু লাইনীং লীচৎকী চৎনবীদা ওন্থোক্তুনা কৎপা হৌখি।

‘লোইদাম লাংবন থাদা খল্লাং পাপনলোন অকেম্বা ইরেং পুপানলোন অমনবশিংগী, লুকলেন পুম্না শেম্না, তরা চাক্লুক কৎপগী, মহুৎ লয়না শিনবদি পিতৃলুক ঈরাৎ থৌনা শীন্নেয়ে’।

মীরম হিন্দু ফূরুপকী মপা-মপুদা লুক কৎপা হৌখিবদগী কুমজা মশীং ফনা য়াম্বসি মশাগী অশেংবা লৈখিদবা মপা-মপু, মবেননচিংবা মীওইশিংদা হকথেংননা কৎতবনা মীরমগী লাইদা কৎলবনিনা, মীরমগী লাই ওইখ্রবা মপা-মপুশিং (মতাং অসিদদি য়েক্কী মহুৎ গোত্রনা শিনখ্রবনিনা) গী অরেমখাক ওইনা য়াম্না নাকোইননা ফংলম্বা য়াই হায়বসি মশানা তারবনি। মরমদি ‘লৈখিদবদুনা নুপা ওইরনা য়ূম্নাক শাগৈ অদুগা নুপী ওইরগনা মখোয়না ময়ূম পান্দুনা নুপা ময়ূমগী য়ূম্নাক শাগৈ ওনখ্রবদু হোংবদি লৈতে। য়েকপু মীরমগী গোত্রদা শুপ্নতগী ওন্থোকপনিনা লৈখিদ্রবা লৈখিদ্রবীশিংদুগী মচা-মশুনচিংবা অশেংবশিংদি ময়াং হিন্দু মচা খক ওইদবনা অশেংবা পারি-পুরিগী মরীদি পুমতৎ তৎপদি নত্তে।’

মীতৈ মচানা ময়াং হিন্দু মচা ওইবা য়াদবনা, হৌরক্লোন্দগী ওইরকপা পারি-পুরি নত্তে হায়বসি নৱা অঙাংনা পীক্লিঙৈদা খঙলমদবদু চাউরক্লগা ৱাখল লৌশিং লৈরক্লবা মতমদা খঙলকপদগী মীরমগী খাঙুথক্কী চাওবোক ওইনা মপা-মমাবু (হিন্দু লাইনীং লীচৎকী ওইনা) খূৎশেমগী মপা-মমানি খঞ্জরুবনা খংথা থাদোকপা নুংঙাইতবদগী তপ্না-তপ্না থাদোকপা হৌনরক্তুনা ‘লাংবন থাদা মীরমগী ওইবা পিতৃলুক কৎপগী থৌরম থাদোক্লগা’ হৌরক্লোনদগী চৎনদুনা লাকপা ‘লাংবন হৈশোই অমদি তরা লুক্লেন কৎপগী থৌরম ওইনা’ ইনাৎকী লাইফম্লেনশিংদা অমদি মশাগী শোন্নপুং লৈবশিংনা মশাগী মোংবা মরান য়াইদা কৎনরিবসিনি। মণিপুরনি ‘অচুম্বগী মশক ওইবা মৈরিবু ফিনা খুমদুনা/কুপশিন্দুনা থম্বা য়াদে হায়নবা পাউরৌ লৈরিবনি।’

মথক্তা হায়খিবা ‘লাংবন হৈশোই অমদি তরা লুক্লেন কৎপা’ হায়রিবা থৌরমসি ইরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা/পোন্থাই ওইখ্রবা অমদি মাগীনি হায়দুনা কৎপীনবা কনা লৈজদ্রবা অদুগুম্বা থৱায় মিরেলশিংগীদমক্তসু লাইফম্লেনগী অশিন-অরাংগী থৌপুরিবশিংনা নৎত্রগা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌগল তৌরিবা লূপলোইশিংনসু কৎপা য়াই, কৎসু কৎলি।

মপুগী খুয়াখাদা লৈরাং-লৈনম ওইনা তিনখ্রবা য়াইবী থৱায় মিরেলশিংনা লাইরম্লেনদগী খোঙশাল্লকপসি লাংবন থাসি খক্তা ওইবনা- ‘অশি-অচং থৱায় মিরেলশিং উন্নবা য়াবা থা ওইবনা’ লাংবন থাদা হৈশোই অমদি তরা লুক্লেন কৎনরিবনি। লাংবন থাগী ১৬নি পানবদগী হৈশোই অমদি তরা লুক চারবা মতুংদা লাংবন থাগী থাশু/থাশি নুমিৎতগী অচংবা থৱায়শিং হায়বদি তাইবঙ নোংশাপানসিদা লৈরিবশিংগা লাইরম্লেনদা অমন য়াইথোং কুমদুনা লৈখ্রবা থৱায় মিরেলশিংগা মখা শাংথনা উনবা য়াদবনা লাংবন থাগী থাশু/থাশি নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগী লাইরম্লেনগীদমক মপুগী মনাক্তা খোঙশানখিবদা শাংলবা লম্বী লমদাংদা চানবা পোৎয়োম ওইনবা ‘হৈরাং-কবোক অথুম-অহাও’ য়াওনা লা লাতোন অমদা হাপ্লগা য়ূমগী মীওইশিংনা ফমুং চঙনখ্রবা মতুংদা, য়ূমগী অহল ওইবা অমনা - ‘মতুং তারকপা কুমজাশিংদসু নুংঙাই-য়াইফনা পানবা ঙম্বা পীবিরম্মু’ হায়না থৌনিজদুনা শোন্নপুংদা কৎপগী চৎনবীদু হৌজিক ফাওবা অখঙ-অহৈশিংগী পাউতাক মতুংইন্না তৌনরি। কয়াদা ফজখ্রবা ঈনাৎকী চৎন-লোনচৎনো। অইবা ইশাদি হৌখিবা চহী কুমজা কয়াগী মমাঙদগী তৌদুনা লাকচরি।

**অদোমগী - সোরাম ইবোহল লুৱাং, (ঈরাৎ ঈশোন পিবা) সেগা লম্বী তখেল্লম্বম লৈকায়।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৮

১) **“লমুক্নরবী চনুরা”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

২) ‘THE TIMEBOMB AND OTHER POEMS’ হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **“শমজিরৈ অমগীদমক”**হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৪) **‘থম্মোয়না লৈ ওল্লকঙৈ’** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মিং করি কৌবগে?

৫) **“খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***

২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪)

৩) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ফোর লাই হরাওবুং মনাক - (১,২,৩)

৪) দোলি ময়াংলম্বম, খুরাই হৈগ্রু মখোঙ - (১,৩)

৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৪,৫)

৬) তোংব্রম সুনিতা, কোংবা নোংথোম্বম লৈকায় - (১,৩)

৭) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৯৬গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৯৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭কী পাউখুম

১) **“সাহিত্য অমসুং থিয়েটর”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

**:- অইবা - লৈমপোকপম দামোদর, লাইরিক্কী মখল - ক্রিটিকেল এসে, ফর্ষ্ট এদিসন : এপ্রিল ২০১০।**

২) **“শাবী লাউ লাউ”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবা অসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মখল - শৈরেংগী লাইরিক, অইবা - শশীকুমার য়ুরেম্বম, অহানবা ফোঙবা : মার্চ ১৯৯৬।**

৩) "Behind A Curtain" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা ইবা লাইরিক অমদগী ইংলিসতা ট্রান্সলেসন তৌবনি। ট্রান্সলেসন তৌরিবা অইবা অসিগী মমিং করি কৌবগে? **:- ট্রান্সলেসন তৌবা অইবা - কে কুল্লধজ, ফর্ষ্ট পব্লিশ : ২০১০।**

৪) **‘শকখঙদবী’** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? **:- অইবা - হাওবম সত্যবতী খুন্দ্রাকপম (ও), লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা - ১৯৮৪।**

৫) **“... মৈতৈগী নিংথৌরোন লম্বুবা, মোইরাং নিংথৌরোনগুম্না অচৌবা লাইরিক অমমক ওইদ্রবসু থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক অমনি।”** লাইরিক অসি করি লাইরিকনো? **:- লাইরিক্কী মমিং - চেংলৈরোন, অইবা - শ্রীনোংমাইথেম মনাওয়াইমা সিংহ, অহুমশুবা ফোঙবা : সেপ্টেম্বর ২০০০ ইং।**